# হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 49, Issue No. 214 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী ১৮/১৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, November 08, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## জেদ য়ু এফকী কাদরশিংনা অমুক্কসু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী পোপি থাবা মফমশিংগী লৌশঙশিং মৈ থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লবসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা তাইনরিবা কাংচুপ পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা কে সোংলুং ভিলেজগী মফম খরদা পোপি পান্থীশিং থাবদা শীজিন্নরম্বা লৌশঙশিং অমসুং গাড়ীনচিংববু অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন-জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) কী খূৎশু-খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কাদরশিংনা মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদা ঙসিসু অমুক হন্না মফম অদুদা লাক্তুনা পোপি থাবদা শীজিন্নবা লৌশঙ খরা অমসুং ফার্ম হাউসশিং মৈ থাদোকখ্রে হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক অসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা থোকখিবনি। ঙসিসু অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়বা জেদ য়ু এফকী কাদরশিংনা কে সোংলুং অমসুং ৱাফোং খুলনচিংবদা পোপি





পান্থী থাবদা শীজিন্নবা লৌশঙশিং মৈ থাদোক্লম্বনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সাবিত্রি থাকুরনা জিরিবামদা পায়খৎপা স্কিমশিং পাক্তক্লনা য়েংশিল্লবসু আই দি পিশিংগা উন্নখিদ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং থুংলখিবা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর সাবিত্রি থাকুরনা ঙসি মহাক্কী খোঙচৎকী নীনি চনবা নুমিৎতা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং অমসুং স্কিমশিং হকথেংননা চৎতুনা পাক্তক্লনা য়েংশিনখ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু মণিপুরগী তমথীরবা লান য়ৌশিল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগদি উন্নখিদ্রে।

মিনিষ্টর অসিগী খোঙচৎকী মতাংদা পাউচে অসিনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতগী ফংবা পাউনা হায়বদা মহাক হয়েং অয়ূক পুং ৭ তারকপদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাদোক্তুনা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী সিলচর এয়রপোর্ট তম্না চৎখ্রগনি। এয়রপোর্ট অসিদা মহাক অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা থুংলবা মতুং অয়ূক পুং ৯.৩৫দা সিলচরদগী দেল্লীগীদমক কোলকটা ফাওরগা পাইখিগদবা ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা তোংখিগনি অদুগা হয়েং নুংথিল পুং ২ তারকপদা দেল্লীদা থুংলুগদবনি হায়রি।




ঙরাং মহাক্না সিলচর এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুংদা জিরিবাম হেক য়ৌরকপগা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী মায়কৈদগী পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গুৱাহাটিদা শাবা অচাপোৎ ‘মাওলি’ চারুবদগী অঙাং ৮০ হেন্না লায়কন্নখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :** অসামগী গুৱাহাটিদা শাবনি হায়বা ‘মাওলি’ হায়না মিংথোনবা অঙাংশিংগী অচাপোৎ অমা চারুবদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা স্কুলদা তম্বা য়াওনা পীল্লিবা অঙাংশিং ওবা-ফাইবা, কোক চীকপনচিংবগী লাইওং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সঙাই ফেষ্টিবেলদা থাদগদবা অচৌবা শেনফম অদু আই দি পিশিংদা থাদবীয়ু : কোকোমি




**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :** রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিংনা নোংমদা লুপা ৮৪দা হন্থরগা পীরকপা অদুগা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলবুনা চাউনা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অসি মরম চাদে হায়রদুনা ফেষ্টিবেল অসিদা থাদগদবা অচৌবা শেনফম অদু আই দি পিশিংদা ওইনা থাদবীয়ু হায়না কোকোমিগী কনভিনর ৱাই সুরজিৎ কুমার খুমননা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL-B/9983/8




